**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা, শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

২) অঙাং অমদি মীচম হাৎপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিসু মফম কয়াদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদি ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখি।

৩) তম্পাক্কী জিলা ৫ দা থল্লিবা করফিউ হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্কনি।

৪) শকাইরবী শৈশকপী অমসুং পদ্মাভি ভুসন- মনা ফংখ্রবী আশা বোসলে ঙসি মুম্বাইদা লৈখিদ্রে।

অমসুং

৫) আমেরিকা অমদি ইরানগী মরক্তা ইস্লামাবাদতা শান্তিগী ৱারী শান্নখিবা অদু মহয় য়ানবা ঙমখিদ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্র মরিদগী লাকপা মৈরা পায়বী লুপশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নদুনা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মৈরা পায়বীশিংগী মাইকৈদগী হন্দক রাজ্য অসিদা থোরক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং অদু য়ামা লুমা লৌবগা লোয়ননা তাখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হন্দক্কী থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা ইনভেষ্টিগেতিং এজেন্সিশিংনা ফংলকপা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থৌদোক অসিগী অচুম্বা ৱায়েল আইনগী মতুংইন্না শোইদনা ফংহনগনি। থৌদোক অসিদা লনাই মীওইশিং চেন্নরম্বা থোক্লবসু মখোয়না তৌরিবা ক্রাইম অসিগী মতুংইন্না আইনগী মখাদা মতিক চাবা থবকশিং শোইদনা লৌখৎকনি। রাজ্য সরকারনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা, শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা, শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা লৈহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

রেল্লি (এল)ঃ ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদি ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ঙাকচৌপোকপী, ঙাইখোং খুল্লেন, ঙাইখোং সিফাই, তৌবুল, খোইজ্‌মান, ক্বাসিফাই, নাচৌ অমদি পোৎশংবমগী য়াল্লবা নুপীশিংনা বিষ্ণুপুর বজার তমা লাক্তুনা ত্রোংলাউবীগী মীহাৎ য়ানিংদে হায়না ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি। ইন্তর ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং কমিতি অসিগী ৱিমেন ৱিংনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, অঙাং হাৎপা য়ানিংদে, মণিপুরদা এন.আর.সি তৌদনা মীকোক থীবা য়ারোই, য়েলহৌমীশিং কন্নবা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি, কুকি খুৎলায় পায়বশিংগা তৌনবা সু হন্দোকউ অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্নশি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ত্রোংলাউবীদা অঙাং অনি হাৎখিবা অমসুং সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম অহুম লৈখিদবগী থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মশিং য়াল্লবা

নুপীশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলোং কৈথেল তমা ব্রাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। মখোয়না লন্বীদা হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা য়ানিংদবসু ফোংদোকখি।

অমুকো, অমোভা, কোহর, এম.এস.এফ, পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুর অমসুং খুরাই লমলোং অপুনবা ক্লবস অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা ব্রাকৎ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অঙাং য়াওনা মীচম হাৎপা য়ানিংদে, মীহাৎপশিং দন্দি পীয়ু অমসুং মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। ব্রাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা অসুমা ফোংদোকখি।

উরিপোক অপুনবা নুপী লুপ অমসুং উরিপোক অপুনবা লুপনা পুন্না শিন্দুনা লম্বোই খোঙনাংখোঙদগী হৌদুনা উরিপোক পরিংদা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা লন্বীদা থোরক্তুনা ব্রাকৎ খোঙজং চংশিনখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ব্রাকৎ মীফমশিং লেপ্তুনা পাঙথোকরি।

শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা নৈনশঙ ক্লবকী মমাংদসু ঙসি লমদম অদুগী নুপীশিংনা ব্রাকৎপী মীফম পাঙথোকখি। ব্রাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা- তুমদুনা লৈরিবা অঙাং অনিবু বোম কাপশিন্দুনা মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা, মমাবুনা শোকহনখিবা অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা মীচমশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা নংহনখিবা থৌদোকশিং অদু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ব্রাকৎ মীফম অদু পাঙথোকপনি হায়না ফোংদোকখি। লৈঙাকা মীহাৎপা ফাদুনা অচুম্বা ব্রায়েল ফংহল্লু, মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই অমসুং ঐখোয় মীকপ থোক্লশি হায়বা ব্রাফমশিংসু ফোংদোরকখি।

মৈরা (এল)ঃ অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিত ৩৭, শিংজমৈ টু য়াইস্কুল অমদি অতৈ য়ুনিত অহুমনা শিন্দুনা মৈরাপায়বী লুপশিংগা খুৎশমদুনা মৈরা কৎপগী থৌরম অমা শিংজমৈদা ঙসি নুমিদাংব্রাইরম পাঙথোকখ্রে। ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা অমদি সি.আর.পি.এফনা কাপ্পদা মীওই অহুম লৈখিদবা অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোক্তুনা মখোয়গী থব্রায়না মপুগী মফমদা ইংনা চিকা লৈরুনবা তেঙ্গোল্লোই অমদি মৈরা পায়বীশিংনা থৌনিজখি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

অমরোমদা, হৌজিক ওইরক্লিবা মনিপুরগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা অদু মখা তানা নুমিৎ নিনি অমগা শাংদোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি (হোম) এন. অশোক কুমারনা হিরম অসিগী মতাংদা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা মঙা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুরদা ভি.পি.এন সার্ভিস য়াওনা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিস-দেটা সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী হৌরগা নুমিৎ নিনি অমগা শাংদোক্লে।

নিংথৌ (এল)ঃ  অপুনবা উমংলাই থৌগল লুপ, খা মাইকৈ ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা ৱাবগাই কৈথেলগী অৱাংদা লৈবা হৈরেম কাংবীসু অমদি খুমন চাখা মোইরেম্বা অনিনা চাইনখিবা মফমদা অনম-অথৌ কোক্কুনা পরৈহনবা অমসুং থৌনিজবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে। উত্রা শঙলেনগী অমাইবা অমাইবীশিংসু লাইথৌগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

তুংদা ৱাবগাই পঞ্চায়ট ঘর কম্যুনিতি হোলদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সেকমাইজিনদগী বাইখোং শুগনু ফাওবগী মনুংদা লৈবা উমং লাইশিংগী থৌগল লুপশিং য়াওনা মফম অদুগী মীয়ামা শরুক য়াখি।

উখ্রুল (এল)ঃ   কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয় অমসুং নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্তরনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী টি.টি.এ হোলদা চথরকপা তিংতৈলা ফোল্ক ফিদল ত্রেনিং ৱার্কসোপ ঙসি লোইশিনখ্রে। নুমিৎ মঙানি চথখিবা ৱার্কসোপ অদুদা ত্রেনি ৩০ রোম শরুক য়াখি। ত্রেনিং মনুংদা তাঙ্খুলগী শকাইরবা ফোল্ক সিঙ্গর গুরু রিউবেন মসাংবা অমসুং গুরু রাৱুংনা তাকপী তম্বীখি। ত্রেনিং অদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা পদ্মাশ্রী মনা ফংখ্রবা গুরু রিডবেন মসাংবনা হায়- তাঙ্খুল

ফুরুপকী খুনুং ঈশৈগী য়ামা মরুওইবা ইন্সত্রুমেন্ট অমা ওইরিবা তিংতৈলাগী মরমদা হৌরক্লিবা মীরোলদা হেন্না খঙহন্নবা অমসুং য়োকখৎনবগী পান্দমদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

এআর (এল)ঃ   তেংনৌপল জিলাগী ৱার্দ নম্বর থ্রিদা লৈবা ফাইচম ভেংদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ২০ লোম লন-থুম মাং তাকখ্রে। গ্রোসরি দুকান অমদা সোর্ট সার্কিটতগী হৌরকপা মৈ অদুনা য়ুমলোন্নবা য়ুমশিং লানশিন্দ্রিঙৈদা অসাম রাইফলস অমসুং ফয়ার ব্রিগেদকী মীওইশিংনা কনবা ঙমখি।

এমসু (এল)ঃ   মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা হায়বা হিরমদা এমসুনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী ওইবা এসে কম্পিতিসন অমা ঙসি ককচিংদা লৈবা খা মণিপুর কলেজদা পাঙথোকখ্রে। কম্পিতিসন অদুদা পুন্না মহেরোই ৫০০ হেনবনা শরুক য়াখি। থৌরম অসি এমসুগী ৪৬ শুবা রিএলাইজেসন মন্থকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি।

নুপী (এল)ঃ   নুপী খুনাই মৈরা পায়বী লীৱা লম্বী বোকুল মখোঙগী ২৮ লক শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম  অদুদা পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেমচা, অমোভা অমসুং অমুকোগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

আশা ঃ     শকাইরবী শৈশকপী অমসুং পদ্মাভি ভুসন- মনা ফংখ্রবী আশা বোসলে ঙসি মুম্বাইদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯২ শুখ্রে। আশা বোসলে ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থবাক নাবা অমসুং মশা চোকথবদগী মুম্বাইগী ব্রিজকেন্দি হোস্পিতালদা পুখৎলকখিবনি।

১৯৩৩ গী সেপ্তেম্বর ৮ দা মমিং লৈরবা মঙ্গেসকর শাগৈদা পোকখিবী আশা বোসলে মশাগী চহি ৯ শুবদা ঈশৈ শকপা হৌরকখি। ১৯৪৩ দা মহাক্কী ইহান হানবা ফিলম ঈশৈ রেকোর্দ তৌখি অমসুং ১৯৫০ গী পরিংদগী মহাক

হিন্দি সিনেমাগী শকাইরবী শৈশকপা অমা ওইরকখি। মহাকা হিন্দি খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা পুন্না ঈশৈ লিশিং ১২ গী মথক্তা শক্লমখি।

আশা বোসলেগী অরোইবা মথৌ মঙম হয়েং নুংথিল পুং ৪ দা শিবাজি পার্কতা পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা আশা বোসলেনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

টোঙ্ক ঃ আমেরিকা অমসুং ইরানগী মরক্তা ইস্লামাবাদতা ঐতিহাসিক ওইনা শান্তিগী ৱারী শান্নখিবা অদু মহয় য়ানবা ঙমখিদ্রে।

নোংচুপ এসিয়াদা শান্তি পুরকবগী মতাংদা আমেরিকাগী উপ-রাষ্ট্রপতি জে.দি. ভেন্সনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা ইরানগী পার্লিয়ামেন্টকী অধ্যক্ষ মুহামদ বাকর গালিবাফনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুগা পুং ২১ রোম চুপা ৱারী শান্নখিবা অদুদা য়ান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদ্রে।

আমেরিকাগী উপ রাস্ত্রপতি-জে.দি. ভান্সনা হায়-ৱারী শান্নবা অদু নীংথিনা চথুখি। অদুবু, নাকল অনিমকা য়ান্নবা পুরকপদি ঙমখিদ্রে। মহাকা হায়-য়ান্নখিদবা অদুগী মরুওইবা মরম অমদি তেহরাননা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শিজিন্নরোই হায়বগী চপ চাবা ৱাফম অমা ফোংদোক্কদবনি হায়বা আমেরিকাগী দাবী অদু য়াদবদগীনি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্নদবা খরা লৈরবসু ৱারী শান্নবদি মখা তানা চথুগনি হায়রি।

হুইপ ঃ থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা চথুগদৌরিবা সংসদকী মীফমদা বি.জে.পিগী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী সদস্য পুমমকা শরুক য়ানবা পরেং অহুমগী ওইবা হুইপ অমা বি.জে.পিনা জারিখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা সদস্য অমত্তনা ছুতি লৌবা য়ারোই হায়নসু দল অসিনা খঙহনখ্রে।

ৱিমেন্স রিজার্ভেসন বিলগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চংলদুনা এপ্রিল ১৬ তগী নুমিৎ হুমিগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা ফমগদবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- তামিলনাদুগী বি.জে.পি কারিয়াকার্তাশিংনা রাজ্য অদুগী দি.এম.কেগী অশোইবা লৈঙাক সাসন মীয়ামদা উৎথোক্লে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা রাজ্য অদুগীদমক এন.দি.এনা চাওখৎ থৌরাংগী থল্লিবা মীৎয়েং অদুগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগীদমক বি.জে.পিগী কারিয়াকার্তাশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি। হয়েং নুমিদাংৱাইরম পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা বুথ সবসে মজবুর সম্বাদ থৌরমদা মহাকা বি.জে.পিগী কারিয়াকার্তাশিংগা ৱারী শান্নগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখ্রে।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- খুনাইগী কাংলুপ খুদিংমকা পুন্না চাওখৎমিন্নরবতদা অশেংবা চাওখৎপা হায়বদু ওইগনি। লোল, মমাংঙৌদগী থাজনরক্লবা অমসুং সংস্কৃতি ঙাক শেনবগা লোয়ননা বিগ্যান অমসুং টেকোলোজিগী মতেংনা ত্রাইবেলশিংগী পুন্সিদা অওনবা পুরকপগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমা হৌদোকপগী থৌরমদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসিগী গ্রিন ইকোনোমিগী লমদা চাওখৎহনবদা ত্রাইবেলনা খুন্দারিবা মফমশিং অসিনা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা খুদোংচাবা পীরি। মীফম অসিনা বিগ্যান অমসুং টেকোলোজিগী লমদা চাওখৎপগা মহৌশাদগী লৈরক্লবা গ্যান লৌশিংগা পুন্না চৎমিন্নবগী শক্তি অদু উৎলগনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

নেভি ঃ ভারত নেভিগী কম্মান্দরস কনফরেন্স ২০২৬ কী অহানবা ইদিসন লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি। চেরোল অমদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- নুমিৎ হুমি চথুগদবা মীফম অসিদা নেভিনা লৈবাক

অসিগী সমুদ্রগী শরুক ঙাক শেনবা, তৌবা ঙম্বা শক্তি অমদি নেসনেল সেক্যুরিতিগী লমদা পায়খৎপা থবকশিং হন্না য়েংশিনগনি। নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরকপা, ভারত মহাসগরগী লমদমদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ফোর্সশিং পুন্না থবক তৌমিন্নবনচিংবগী ফিভম অসি য়েংলগা ভারতকী ইনর্জি সেক্যুরিতি ঙাক শেনবদা নেভি শিজিন্নবনচিংবা থৌরাংশিং অসিনা হন্দক্কী ইদিসন অসি য়ামা মরুওই হায়না ঙাকশেল মন্ত্রালয়না লৌই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

জোজো ঃ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মণিপুর প্রাইদ এম.এম.এ-রাইস ওফ ৱারিয়র ৱানদা মণিপুরগী এম.এম.এ ফাইটর জোজো রাজকুমারিনা উজবেকিস্তানগী অরোফাট তাইরোভাবু মায়থিবা পিখিবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- জোজো রাজকুমারিনা মায় পাক্লকপা অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা চাউথোকচবা পোকহনবা খক নত্তনা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদসু পুকিং থৌগৎলগনি।

কবাদি ঃ মণিপুর ষ্টেট কবাদি এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অহানবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট জ্নিয়র বোইজ এন্দ গার্লস কেস প্রাইজ কবাদি তুরনামেন্ট ২০২৬ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেতরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর ষ্টেট কবাদি এসোসিয়েসন, ইম্ফাল ইষ্ট কবাদি এসোসিয়েসন অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন ত্রেনিং এসোসিয়েসন অহুমা ঙসি অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

বেদমিন্টন ঃ চাহনাগী নিংবোদা পাঙথোকখিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী সট্লর আয়ুস সেত্তি রন্নরঅপ তাহৌরে। ঙসি

শান্নখিবা ফাইনেলদা চাইনাগী সি য়ু কিনা মহাকপু পোইন্ট ২১-৮, ২১-১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

আইপিএল ঃ আই.পি.এল ক্রিকেটকী ঙসি উত্তর প্রদেশকী একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা গুজরাত টাইতান্সনা য়ুম্মু লখনৌ সুপর জাইন্টসপু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা হৌজিক মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা শান্নরি। মুম্বাই ইন্দিয়ান্স অহানবা বোল্লিং তৌরি।

আইএসএল ঃ ইন্দিয়ান সুপর লিগকী মেটচ অমদা কোলকাতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা হৌজিক মোহন বগান অমসুং পঞ্জাব এফ.সি শান্নরি।

লিগ অসিদা পোইন্ট টেবলদা হৌজিক মুম্বাই সিতিনা মেটচ ৮ শান্নবদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

------